থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# নীংবা কায়নীংঙাই ওইবা ফেষ্টিবেল, লোইগদৌরে



কুমহৈ হায়বসিমক্তবু মচু-মমেন মান্নবা, মখল-মথেল কয়ানা থেন্দুনা লৈরব'কান দতা মশক অমা থোকপনি। মথেল অমখক থেল্লগা কুমহৈ ওইবা য়াবা নত্তে। পোইত্রি ফেষ্টিবেল, লিটরেচর ফেষ্টিবেল, দান্স ফেষ্টিবেল, দ্রামা ফেষ্টিবেল ... কুমহৈ মখল ফনা য়াল্লে, মহৌশাদই উরকপা রিলিজিয়স ফেষ্টিবেলশিংগী মথক্তা নৌনা উবা ফংলক্লিবা। অদুগুম্বা ফেষ্টিবেলশিংগী মরক্তা 'দ্রামা ফেষ্টিবেল' - মণিপুরদা পোপ্যুলর ওইরবা ফেষ্টিবেল মখল অমনি। ঙসিগা থানা হুমনিশুবা লেপ্তুবা পাউদম ওইনা তমজরিবা -মণিপুরগী ওইনদি খ্বাইদই চাউবা শেলগী মনা ইরোইনবা থিয়েটর-ফেষ্টিবেল অমা ওইরিবা 'খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল'গী পাউদমনি। তরুকনি চনবা নুমিত্তা উৎখিবা লীলা অনীগী পাউদম।

ফেষ্টিবেল অসিগী তরামাথোইশুবা লীলানি - কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়গী 'রোয়ল থিয়েত্রিকল ক্লব'কী 'থৱায় লাকপী'। এন রনজিতা'না ইবা, ময়েংবম অক্ষয়কুমার'না তাকপী তন্বীবা লীলা অসি 'হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং' হায়না খঙনবা মীবু (মরু ওইনা অঙাংশিংবু) মমল লৌদুনা য়োনবগী চৎনবী অদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইবা লীলানি। অইবীসিগী লীলা মাঙলমচত্তা অমুক্তসু উখিদ্রি। মমিংসু তাদ্রি। লম্‌সিদা নৌনা খোঙদারকপী অমা ওইরমগনি। লীলা ইবীনবা লৈত্রবা, হান্না ইরম্বা অফাওবশিংনা কলম পায়য়ু য়ারক্ত্রবা মতমসিদা অইবা/অইবী অমা থোক্লকপসি পূক্লিং থৌগৎপীফমদি থোকই হায়ববু পুথোরক্লিবা পোত্থোক অদু অমুক্তং কূপ্পা নৈনহৌবদি চুমগনি। মরমদি, 'মণিপুরী থিয়েটর' মালেমগী থিয়েটর তাইবঙদা অখন্নবা মফম কল্লবনি।



খুঙ্গংদা চন্না পুন্সি লেঞ্জবী, মপুরোয়বা কায়নখ্রবী 'লৈমা'গী পূমকক চাউরক্লবী মচানুপী'দু 'মহৈ-মশীন লেম্না তমহনগনি, ইনাক খুনবা সহরগী নুপা অমগী দোমেষ্টিক হেলপর (ইমুং-মনুংগী তেংবাঙবী) ওইনা লৈহল্লগা শেলগী মতেংসু পাংগনি থাজহন্দুনা লৈকায়দুমক্তদগী 'বিনা' কৌবী তৌ'ঙম্বী মৌ অমনা নমথাক তৌদুনা পুখি। চহী অহুম চূপ্পা অঙাংদুগী মরী-মখোঙ (লীকখুন) খঙহন্দনা থল্লকখি। বীনা অমদি ইনাক খুনবা সহরগী নুপা শারম্বা নোংলেন, মীরোৎ ওইখি। পুলিস'তা মী মাঙখিবগী রিপোর্ট পীখৎলবা তুংদা মখোয় অনী ফাগৎখি। নুপীমচা 'থোই' মীরম-মচা অমদা মম লৌদুনা য়োম্থোকখ্রে - মশানা মরাল য়াজখি। পাম্বৈ লৈত্রবী, মচা কায়নরবী লৈমনা মথম্মোয় শোক্লা 'বিনা'দা 'থৱায় লাকপী' হায়না পেন্না চৈথোক্লম্লগা পুলিস ষ্টেসন'দুদা ৱাম্থখিবদুনা পোলোই ওইবা লীলানি। থোইনা হকপা, অকনবা চাংয়েং য়াওদনা পুথোক্লবা হোৎনবনি। অহল ওইরবা দিরেক্টর অক্ষয়কুমারনা হায়, 'লীলা য়েংবীনবা মী লৈরক্তবসিদা, পোত্থাফম খঙলক্ত্রদুনা হৌগৎলকপনি'। মহাক্কুম্বা ময়াম, তূম্লুবদগী হৌগৎলকপসিনা শিথরক্লবা মণিপুরী থিয়েটর কনবা ঙমগদ্রা? অচৌবা ৱাহং অমনি।

তরুকনিশুবা নুমিৎকী অনীশুবা লীলা 'নিকুঞ্জবন্দা রাধা কৃষ্ণ' - মতমগী অনৌবা নুংশিৎ পুবা লীলাগী ৱাখল খল্লুরগা য়েংলবদি তশেংনমক নীংবা কায়নীংঙাইনি। অথোয় অহেন চাংদম্নবা দ্রামা ফেষ্টিবেল অমদা পুথোকপা লীলানি খন্দনা, কুমহৈ-হরাও নুমিৎ অমদা নুপী-অঙাং-মীচমশিংগী মাঙদা উৎপা লীলা অমা ওইনা য়েংলম্লগদি ঐহাক শোয়দনা হায়রমগনি। এল বিরেনকুমারনা ইরগা, এম নরান'না দিরেক্সন পীবা ককচীং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন'না শান্নবা লীলা অসিগী ৱারীসিবু ঐহাক ময়ামদা অমুক তমখিসিরা? রাধা-কৃষ্ণগী ৱারীবু খঙদবা কনা লৈরিদগে! লীলাসিগী মিংথোল ওইরিবা 'নিকুঞ্জবন্দা রাধা-কৃষ্ণ' - ৱাহৈসিনা অদুম খঙবীরো। ৱাখলদুনা শাগৎপীরো। ৱাখলদা তারিবা মমিদুমক্লি - দিরেক্টরনা উৎথোক্লবা হোৎনজরিবা। মণিপুরী- জগোয়-রাসকী মতেক মতেক খরা খরা ফেনজিল্লগা।

ফেষ্টিবেল অসি লোইগদবা লীলা অনীখক্তা ঙায়শিল্লক্লে। করম থোক্লগবা! অদুমদি খঙদ্রি। মমাঙগী পন্দুপশিংদুগা চাংদম্ননা য়েংলুরবা - ৱাহৈ সিমদি থম্মোয় শেংনা হায়নীংই - ফেষ্টিবেল অসিগী থাক হান্নদগী মরায় চায়থরক্লি।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# এন্টিবাইওটিক লান্না শীজিন্নবগী খুদোংথীবা



এন্টিবাইওটিকপু মথৌ তাদবা মতাংদা শীজিন্নববু এন্টিবাইওটিক লান্না শীজিন্নবা কৌই। এন্টবাইওটিক লৈরম্বনা অনা লায়েংগী লমদা য়াম্না খুমাঙ চাওশিলহল্লিবনি। অদুবু ঐখোয়না এন্টিবাইওটিক লান্না শীজিন্নবনা বেক্টিরিয়াশিংবু এন্টিবাইওটিক্তা রেজিষ্টেন্ট ওইহল্লকই, হায়বদি লায়েংবদা ৱাবা বেক্টিরিয়াশিং ওইহল্লকই।

হান্না এন্টিবাইওটিক শীজিন্নদুনা লায়েংবদা ইরায় লায়না হাৎপা ঙল্লম্বা মহীক-মতাই খরদি রেজিষ্টেন্ট ওইবা অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। মসিনা লায়েংবদা ৱারবা ইনফেক্সনশিং খুদম ওইনা ন্যুমোকোকেল ইনফেক্সনশিং (ন্যুমোনিয়া, নাকোংগী ইনফেক্সনশিং, সাইনসকী ইনফেক্সনশিং অমদি মেনিঞ্জাইটিস), স্কিন ইনফেক্সনশিং অমদি ট্যুবরকুলোসিসনচিংবশিং হেন্না থোকহল্লক্লবগী মচাক অমা ওইরি।

এন্টিবাইওটিক্লা করি লায়েংবগে?

মীওইবদা অনা অয়েক থোকহল্লিবা মহীক-মতাই (জর্ম) অসি মেজর ওইনা বেক্টিরিয়া অমসুং ভাইরস হায়না মখল অনী খায়দোকই। অনী অসিনা মান্নবা লাইওং লৈবা লায়নাশিং থোকহনবা য়াই অদুবু মখোয়না মচা পোকপা অমদি লায়না শন্দোকপগী মওংদি খন্নে।

- বেক্টিরিয়াশিং অসি সিঙ্গল সেল ওইনা লৈবা লিভিং ওর্গানিজমশিংনি। মফম খুদিংমক্তা বেক্টিরিয়া লৈ, অয়াম্বদি মীওইবদা শোকহন্দে। মীওইবদা কান্নবা পীবা বেক্টিরিয়াসু লৈ। অদুবু বেক্টিরিয়া খরদি হকচাং মনুংদা মচা পোক্তুনা হকচাংদা অমাঙ-অতা থোকহল্লি অমদি নাহল্লি।

এন্টিবাইওটিকশিংনা বেক্টিরিয়াশিং চাওখৎলকপা অমদি মচা পোকথোরকপা থিংদুনা হাৎপা ঙম্বা মরম্না বেক্টিরিয়ানা থোকহনবা লায়নাশিংদি এন্টিবাইওটিক্লা লায়েংবা ঙম্মী।

- ভাইরসশিংদি অহিংবা নত্তে। মখোয়দি ঐখোয়গী হকচাং মনুংদা য়াওবা অহিংবা সেলশিংদা লান্দারবা মতুংদা হৌজিল্লী অমদি মচা পোকই। ভাইরস খরদি হকচাংদা অনা-অয়েক থোকহল্লক্ত্রিঙৈদা ইম্ম্যুন সিষ্টেম্না ঙাকথোক্তুনা হাৎপা ঙম্মী, অদুগা (কোল্ডগুম্বা) খরা অমনা মখোয়গী নাবগী মতম অদু লোইদ্রিফাওবা নাদুনা লৈ। ভাইরসনা থোকহনবা লাইনা-লাইওংশিংদি এন্টিবাইওটিক্লা লায়েংবা ঙমদে।

এন্টিবাইওটিক করিগী লান্না শীজিন্নরিবনো?

দোক্টরনা তোঙান তোঙানবা মরমশিংগীদমক এন্টিবাইওটিক প্রিস্ক্রাইব তৌই। করিগুম্বা মতমদা মখোয়না লায়না অদু ভাইরসনা থোকহনবরা নৎত্রগনা বেক্টিরিয়ানা থোকহনবরা হায়বদু চপ চানা লেপ্পা ঙমদবদগী নৎত্রগনা টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট ঙাইবগী মতমদা এন্টিবাইওটিক প্রিস্ক্রাইব তৌই। কনাগুম্বা পেশেন্ট খরদি দোক্টরদা এন্টিবাইওটিক প্রিস্ক্রাইব তৌবিনবা হায়বসু য়াওই।

খুদম ওইনা ষ্ট্রেপ থ্রোট (খনাউ নাবা মখল অমা) হায়বসি বেক্টিরিয়ল ইনফেক্সননি। অদুবু খনাউ নাবা অয়াম্বদি ভাইরস, এল্লর্জি নৎত্রগনা অতোপ্পা এন্টিবাইওটিক্লা লায়েংবা ঙমদবা মরমশিংনা থোকহনবা ওইগল্লি। অদুবু মীওই কয়ানা খনাউ নাবগীদমক এন্টিবাইওটিক প্রিস্ক্রাইব তৌরক্কনি খন্দুনা হেল্থ ক্যের প্রোভাইদরগী মনাক্তা চৎলি, অদুগা মথৌ তাদবা এন্টিবাইওটিক অদু প্রিসক্রাইব তৌরকই।

এন্টিবাইওটিক লান্না শীজিন্নবনা করি থোকহনবগে?

লোক থুংবা অমদি অতৈ ভাইরেলগী অনাবশিংগীদমক এন্টিবাইওটিক শীজিন্নবদা কান্নবা ফংদে। মদুগী মহুত্তা হাৎপদা ৱাবা বেক্টিরিয়াশিং শেল্লক্কনি।

এন্টিবাইওটিক য়াম্না তোয়না শীজিন্নবা নৎত্রগনা মরম চাদনা শীজিন্নবনা বেক্টিরিয়াশিংদা অহোংবা কয়া লাকহন্দুনা এন্টিবাইওটিক্লা হাৎপা ঙমদবা বেক্টিরিয়া ওইহল্লকই। মসিবু বেক্টিরিএল রেজিষ্টেন্স নৎত্রগনা এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্স কৌই। হৌজিক বেক্টিরিয়া খরদি খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা এন্টিবাইওটিক খরদফাওবা রেজিষ্টেন্স ওইরে।

এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্স হায়বসি লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা প্রোব্লেম অমনি। সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সি দি সি) না মসিবু 'মালেমগী ওইনা মীয়ামগী হকশেলদা খ্বাইদগী চাউনা শিংনবশিংগী মনুংদা অমনি' হায়রি। মসি মরুওইনা ইনকম নেম্বা অমদি চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদনা হেন্না থোকই, মরমশিংদি:

- হেল্থ ক্যের প্রোভাইদরশিংনা লায়না-লাইওংশিং বেক্টিরিয়ানা থোকহনবরা নৎতবরা হায়বা য়াম্না থুনা খঙদোকপা ঙম্নবা খূৎশু খূৎলাইশিং লৈতবা।

- মফম কয়া অমদি এন্টিবাইওটিক মতীক চানা ফংবা হৌবদা ঙাইরি।

- অফবা ঈশিং মরাং কায়না ফংদবা, সেনিটেসন মতীক চাদবা অমদি ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামশিং মতীক চানা লৈতবনা এন্টিবাইওটিক মথৌ তাবা লায়নাশিং পোকহল্লি।

অঙাংশিংগীদমক মমা-মপাশিংনা করি তৌবা য়াবগে?

য়ুমথোং খুদিংমক্লা লোক থুংবা, খনাউ নাবা, অমদি অতৈ ভাইরসকা মরী লৈনবা লায়নাশিংনা য়ৌদবা লৈতে। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু দোক্টরদা লায়েংবা চৎপা মতমদা এন্টিবাইওটিক প্রিস্ক্রাইব থাহন্নিংবগী অপাম্বা উৎপিরোইদবনি। এন্টিবাইওটিক শীজিন্নবা মতমদা দোক্টরনা প্রিস্ক্রাইব তৌরকপা মশিং অমদি মতম শুদ্রিঙৈদা তোক্লোইদবনি অমদি হেঞ্জিন্নসু শীজিন্নরোইদবনি। হান্নগী মখাক লৈহৌবা এন্টিবাইওটিকশিং শীজিন্নরোইদবনি। অতোপ্পা মীওই অমগীদমক প্রিস্ক্রাইব তৌরকপা এন্টিবাইওটিক শীজিন্নরোইদবনি। অঙাংশিং মতম চানা ইম্ম্যুনাইজেসন তৌথোকপিগদবনি। অঙাং নারিঙৈদা স্কুলদা থাবীরোইদবনি। মখোয়গী খূৎ-শা শেংনা অমদি তোয়না হামদোকপিগদবনি।

# য়েলহৌমী থৌপৈ চহী মপুং ফারক্লে : থৌপৈ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস): য়েলহৌমী থৌপৈ কুমজা ২০১৮ গী ওক্টোবর ২১ দা ইরমদমসিগী মীওই কয়া পুনশিল্লগা সেল্লোই লংমাই চীংগী খল্লোং থেলদা তাইবং ফাওরকখিবা ঙসিদি চহী ১ মপুং ফারক্লে হায়না য়েলহৌমী থৌপৈগী প্রসিদেন্ট ঐচ দিনেসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লূপ অসিগী চহী অমা মপুং ফারকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক লমদম অমদি মণিপুরদা খুন্দারিবা মীতৈশিং অমসুং য়েলহৌমী পুম্নমক্কী মফমদা য়াইফ-পাউজেল পীরি। লূপ অসিগী মরুওইবা পান্দমশিংগী মনুংদা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী নাৎ, চৎনবী, লোল, লোয়শিল্লোন, লাইনিং-লাইশোন, শেন্মীৎলোননচিংবা ঙাক শেনবা, য়োকখৎপা অমদি চাউখৎহনবা, কাঙলোন নাইনা তাশিন খোমজিন্দুনা থম্বা অমদি মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা য়াওরি। অৱাং নোংপোক লমদমদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা হিংবা অমদি শিবা অনীগী লংদাইদা লেপ্লিবা ফুরুপতি মীতৈশিং অসিনি হায়না লৌই। লিশাং-শিংনা লেপ্পা লৈতনা ঈশিং-ঈচাউগুম থোমজিল্লক্লিবা মীতোপশিংগী মখুৎতগী মায়কৈ অসোমগী য়েলহৌমীশিংবু কনবা হায়বসি অপূনবগী পাঙ্গল লৌশিংনা নৎত্রবদি অতৈ অতোপ্পা পাম্বৈ অমা লৈতে। তাঞ্জা অসিদা খ্বাইদগী লাইবক থীবদি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ইরুপচাশিংগী মরক্তা এস টি অমদি জেনরেল হায়না খাইদোক্তুনা থম্বীরিবা অসিনা ফুরুপ মচাশিং অসি পুনশিনবদা ৱাংলবা পল অমা ওইদুনা থৎলি হায়বসি মীতৈ ইচিল-ইনাওশিংনা নীংশিংগনি।

এস টি লিষ্টতা য়াওদবা অৱাং নোংপোক্কী য়েলহৌমী অসি মীতৈ খক্তমক ঙাইশিল্লক্লে। ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং পুম্নমক পুনশিনমিন্নদুনা ঙসিগী মীপায়নিংঙাই ওইরবা ফীভম অসিদগী য়েলহৌমীশিংবু মীতোপকী ঈশিং-ঈচাউদগী কলহৌসি হায়রগদি লমদমসিগী অমদি অৱাং নোংপোক্কী য়েলহৌমী ওইবশিং পুম্নমক অমত্তা ওইনা পুনশিনমিন্নবা হায়বসি ককনিংঙাই য়াওদ্রবা অচুম্বনি।

ঙসি মীয়াম্না মীপায়নরিবা মীতোপশিংনা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং য়োৎখ্রগনি হায়বগী অকিবা লৈরিবা তানফমসিদা ইন্দিয়াগী অনৌবা এক্ট ইষ্ট পোলিসী অমদি লল্লোন-ইতিক্কী কাঙলোন্না ঐখোয়গী মীয়াম্বু বোন্দেদ লেবর ওইহনবতা নত্তনা ঐখোয়গী পোত্থোক খুদিংমক্কী মপু মীতোপশিংনা ওইখিগদ্রা হায়বগী মীপায়বা য়েলহৌমী থৌপৈদা ফাওই। নাৎ, লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা হিরম খুদিংমক কৈথেলগী লৈবা, য়োনবা য়ানবা পোত্থোক ওইখ্রগনি, হিংনবগীদমক ইনাৎ লাইনিং ফাওবা থাদোরক্লবা ফুরুপ অমগী থাক্তা লাক্লবা ফুরুপ অসিনা ইরমদমসিগী হিরম কয়াগী মপু ওইবা ঙমগনি হায়বসি থাজবগী ৱাংমদনি। হৌজিক লৈথক অমসুং লৈখাগী পোত্থোক খুদিংমক মল্টি নেসনল কোর্পোরেটশিংনা লৈঙাক্কা লৌতুনরগা মণিপুরদগী চিংথোক্কদৌরি। ঐখোয়গী থৱায় ওইরিবা চীং, পাৎ, তুরেল, লৌবুক-লম্ফাং পুম্নমক্কী মপু এম এন সীশিংনা ওইখ্রগনি। ঈং-তপ্পা অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী মিংদা ঐখোয়গী লৈজরম্বা লৌরী য়ুম্ফম নোংম-নোংমগী লাম্মী অমদি এম এন সীশিংগী ওইশিল্লক্লি। লৌফম কয়া লাম্মীদা শিন্নরক্লি।

ঐখোয়গী মহৌশাগী খুদোল কয়া মপানগী মীতোপ অমদি এম এন সীশিংগী খুৎতা শিন্নথোরক্লি। ঐখোয়গী লৈজরম্বা লৌরী-য়ুম্ফম পুম্নমক এম এন সীশিংগী খুবাম্নুংদা তাখ্রগনি। এক্ট ইষ্ট পোলিসীগী ময়োল ওইরক্লিবা মোরে ফাওরগা চত্থরক্লিবা মালেমগী লল্লোন-ইতিক্কী খোঙচৎ অসিদা য়েলহৌমীশিংনা শরুক য়াবা ফংবগী মহুৎ মপান লমগী শেঞ্জাও পায়বশিংগী লৈহাও ফরবা লল্লোন-ইতিক্কী মকোল অমা ওইরক্লি। ফীভম অসিদা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী ঙাক্লৌ অমা লৌহৌদ্রগদি মীতৈশিংগী তুংলমচৎ অসি মমি শাম্মী হায়না লৌবদা থোইনা লাল্লোই। ইরৈবাক অসিদা য়ুম-কৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরবা মীয়াম ওইরক্কদৌরি। ঐখোয়না ঐখোয়গী লৌরী-য়ুম্ফম ঙাকচনবগীদমক ঙসিগী ওইরিবা মীতৈশিংগী তশেং-তশেংবা ফীভম অসি য়েংলগা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী ঙাক্লৌ ওইনা এস টি লিষ্টতা মীতৈশিং য়াওহনবা হায়বসি তঙাইফদ্রবনি। তশেং-তশেংনা ওইরিবা অসি য়েংদনা হৌখ্রবা পুৱারীগী মঙলানদা লৈবনা মীতৈশিংবু কনবা ঙল্লোই হায়না থাজৈ হায়রি।

# চিলদ্রেন সেন্ট্রিক আউটরিচ প্রোগ্রাম ফোর প্রমোসন সাইন্টিফিক কলচরগী এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস): চিলদ্রেন সেন্ট্রিক আউটরিচ প্রোগ্রাম ফোর পোপ্যুলরাইজেসন এন্দ প্রমোসন ওফ সাইন্টিফিক কলচরগী মতাংদা থা অসিগী ১৯ দগী ২০ ফাওবা সঙ্গাইয়ুম্ফম কম্যুনিটি হোল থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা সাইন্স এৱ্যের্নেস মেলা পাঙথোকখ্রে।

সাইন্স এৱ্যের্নেস মেলা অসি মাইনোরিটি পিপলস এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট সোসাইটি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা নেসনল কাউন্সীল ফোর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি দিভিজন, দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী স্পোন্সরশিপ মখাদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিন, স্কুল ওফ ফিজিকেল এন্দ মেথমেটিকেল সাইন্স প্রোফেসর এম রাজমুহোন, ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর এন নিমাই, সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট সী এস আই আর নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ডা. ঐচ বিরকুমার, থৌবাল কোলেজগী ডা. এ নবচন্দ্র, দিরেক্টর ওফ দি দি য়ু সেন্টর ফোর কৌসাল ডা. রহৈজুদ্দিন শৈখ অমদি এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মনিসকুমার মোইরাংথেমনা মরুওইবা ৱাঙাংলোয় ওইনা ৱা ঙাংখি। তোঙান তোঙানবা মহৈলোয়শঙ কয়াদগী মহৈরোয় ৭০০ হেনবনা সাইন্স মেলা অদুদা শরুক য়াখি। সাইন্স ষ্টোল ১২৪সু মেলা অদুদা উৎখি। সাইন্স ক্যুইজ কম্পিটিসন, এক্স টেম্পর স্পিচ, সাইন্স মোদেল, সাইন্স ফিল্ম সোনচিংবসু উৎখি।

সাইন্স এৱ্যের্নেস মেলা অদুগী মতাংদা ডা. রহৈজুদ্দিননা ফোঙদোকখিবদা, মাইনোরিটি অমদি ট্রাইবেল কম্যুনিটিশিংদা সাইন্স ষ্টদিগী লমদা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা অসিগুম্বা মেলা অসি পাঙথোকপনি। সাইন্সকী মরুওইবা কয়া অদু খঙহনবনি। স্কুল অমদি কোলেজশিংদা মহৈ তম্বা অদুগী মথক্তা অসিগুম্বা এক্সপিরিয়েন্স কয়া অসিসু খঙহনবা চঙই। লর্নিং মেথোদকী টেক্নোলোজি পুথোকপা মথৌ তারি। ট্রাইবেল ষ্টুদেন্ট অমদি মাইনোরিটি ষ্টুদেন্টশিংদা অসিগুম্বা সাইন্স এৱ্যের্নেস মেলা অসিনা সাইন্সকা মরী লৈনবা ৱাখল্লোন কয়া ফাওহনবা ঙমগনি। সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী মতাংদা এৱ্যের্নেসসু পীবনি। সাইন্স ক্যুইজ, পেন্টিং কম্পিটিসননচিংবা কয়া অসিসু য়াম্না মরুওই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

নুমীৎ নীনি চুপ্পা চত্থখিবা সাইন্স এৱ্যের্নেস মেলা অদুদা রিছোর্স পার্সন কয়ানা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা ৱা ঙাংখি। তোঙান তোঙানবা স্কুল কয়াদগী মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখিবা মেলা অদুদা মহৈরোয়শিংনা সাইন্স মোদেল কয়াসু পুথোক্তুনা উৎখি। মহৈরোয়শিংদা সাইন্সকী মরুওইবা ৱাফম কয়াসু ৱাঙাংলোয়শিংনা খঙহনখি। মাইনোরিটি অমদি ট্রাইবেলশিংনা নম্না তাবা মফমশিংগী মহৈরোয়শিংদা সাইন্টিফিক কলচর শাগৎনবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা অসিগুম্বা মেলা অসি পাঙথোকপনি হায়নসু এম পি আর দি এসকী থৌবালগী সেক্রেটরি জেনরেল নাজেরুদ্দিননা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তারি।

# প্রসিদেন্সি কোলেজ মোটবুংদা সাইবর ক্রাইমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্তুনা হিরমসিগী মতাংদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস): থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন জেনরেল হেদ ক্বার্টরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দা প্রসিদেন্সি কোলেজ মোটবুংদা সাইবর ক্রাইমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্স, থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন জেনরেল হেদ ক্বার্টরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এৱ্যের্নেস সেমিনার অদুদা কাংপোকপীগী এস পি হেমন্ত পান্দেনা চীফ গেষ্ট, এদিসনল এস পি কাংপোকপী ইম্মান্যুএল ফিমাতেনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি। গামনোম সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জসু থৌরম অদুদা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। মোটবুংগী অকোয়বদা লৈবা ক্লাস নাইন অমদি টেন তন্লিবা মহৈরোয় কয়ানা সেমিনার অদুদা শরুক য়াখি। স্কুল তরেৎলোমদগী মহৈরোয় ৪০০ রোম্না সেমিনার অদুদা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা এস পি কাংপোকপী হেমন্ত পান্দেনা হায়খি, সোসল মীদিয়া, ফেসবুকনচিংবা অসি নীংথিনা চেকশিন্না শীজিন্নবা তঙাইফদে। প্রাইভেসি অমদি প্রোপর য়ুজগী মতাংদা খঙবা চঙই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

রিছোর্স পার্সন ওইখিবা এদিসনল এস পি কাংপোকপী ইম্মান্যুএল ফিমাতেনা ইন্টর্নেট টেক্নোলোজি অমদি সাইবর ক্রাইমগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। তুংদা রিছোর্স পার্সনশিংগা মহৈরোয়শিংগা ইন্টরেক্সন তৌদুনা সাইবর ক্রাইমগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। এস পি কাংপোকপীগী মায়কৈদগী স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংদা অথুম-অহাওসু য়েন্থোকখি হায়নসু থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন জেনরেল হেদ ক্বার্টরগী চেরোলদুনা মখা তারি।

# পুলিস কম্মেমোরেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস): জিরিবামদা থা অসিগী ২১দা পুলিস কম্মেমোরেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লাইন ওফ দ্যুটিদা থৱায় থাখ্রবা পুলিস পর্সনেল অহুমগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রবা পুলিস পর্সনেলশিং অদুদি, লৈখিদ্রবা এস আই য়ুম্নাম বুধি, রাইফলমেন ঙাঙোম অমুয়াইমা অমদি থাংজম বিরজিৎনি। লৈখিদ্রবা অহুমগী শক্তমদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা পুলিস পর্সনেল অমদি ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি। জিরিবাম পুলিসকী এস পি মুবি মোইরাংথেমনা পুলিসশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। লাইন ওফ দ্যুটিদা লৈখিদ্রবা পুলিস পর্সনেল অহুম্বু নীংশিংবগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নবসু উৎখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা পুলিস পর্সনেলশিং অসিগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খুদোলপোৎসু পীখি। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পুলিস কম্মেমোরেসন দেগী থৌরম অদুদা পুলিস ওফিসল কয়ানা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুনা দ্যুটিদা থৱায় কৎথোকখিবা অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।




HL-B/5749/17oct-16nov.


## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।১০।২০১৯ ইং, শগোলশেল, মেরাগী ২৬ নি পানবা।

মেষ : ঈথক-ঈরাংদা লৈনবনা লন মাঙগনি, মীয়াম লোয়নগনু অমদি ঙক কল্লদি মীকোক থোংবা ৱাগনি। অথেংবদা পাঙ্গল ফুদোকপগী কান্নবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথনা লৈথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃষ : হেন্না পামশিনবা তৌগনু, অশাওবা ফাথৌ অমদি য়েৎনবা য়াবা মরমদগী লৈথোকপা কান্নগনি। নথক থোংবনা চানবীবা ৱাৎকনি। মরুপ লোয়নবদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পামদবা নংদনবা অশা চাওরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিথুন : লাইবক ফবদি ওইরনি, লেংদবা লন ফংবা অমদি নীংবা থুংবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা অমদি অরং-অরাক লেপ্পা য়াগনি। য়েৎনবদি য়দে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : মীয়ামগী মতেং লৌবা অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেল ফংবা য়াবা নুমিৎনি। অনৌবা লৌশিং ফংই অমদি অচুম্বনা মায় পাক্কনি। হুরানবনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : নথক থোংবা অমদি মরুপ্পা চানবীবা ৱাৎকনি অদুনা নাইতোম চৎপনা কান্নবা হেনগনি। পাইরক্কী লৌশিংদি চাওই-নাইতোম ৱারেপ লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - কান্নবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : থবক পাংগনি, অরং-অরাক ফংবা য়াবা লৈ অমদি ঙাঙথোকপদা মীনা তানীংগনি। অদুবু য়েক্লবনা মরুপ কাইননবা শিনবা অমদি খোইরাংবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না খম্বনগনু-পোত্থাফম খঙলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : নত্তবা পাম্বৈ থিগে খনবা অমদি নথক থোংবগা ৱাখল তান্নদবা লৈগনি-মীনা ইনশিনবা লৌগনু। লাইবক ফবা, লন ফংবা, থবক পাংবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : অফা অপুন নংবা য়াবা, মরম চাদনা শেল চৎপা য়াবা অমদি কাইনবগী নুংঙাইতবা লৈতনবা নোল্লুক্লা অমদি ঈংনা থৌ পাংউ। থেংনা লাইবক ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : পূক্লিং তপথৌ, ঙাঙবা শকপা হৈগনি, ইমুং-মনুং ৱা তানবা কান্নগনি, মমল চংবা পোৎ ফংবা য়াবা লৈ অমদি নচা ননাই চাওখৎকনি। খুৎচাওদি থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - হান্নাগুম মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর : য়েক্লা তিংখং লৈরোই, লৌশিংনা ওইজবা তানবা য়াগনি অমদি নংগী ওইবা মীশিংনা লানা চান্না তৌবীগনি। লাই-গুরুনা চানবী। চরাংনবদি য়াদেকো।
লৈশা পাখংশিংগী - মীগী মতেং ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্বা : নীংজবা থুংগনি, লল্লোন-ইতিক্তা চাওনা শেন্দোং ফংগনি, মরুপ অমদি লৈতেং ফংগনি। অদুবু মীগী থৌইনশিন্না কাইনবা অমদি নরল তিংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

মিন : মায় পাক্কনি, মীয়াম্না চানগনি অমদি অনৌবা অফবা অশা লাক্কনি। ওইজবা থিবদি শোইদনা কান্নগনি। অনম তানবদি মীখা পোনগনি, শাওবসু য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।